ব্রাইটসনা শীন্দুনা মোইদাংপোক মনীং লৈকায়দা লৈবা তুংগী য়ুম্বী দি-এদিক্সন এন্দ রিহেবিলিটেসন সেন্টরদা পাঙথোকখিবা ইন্টর্নেসনল দে এগেনষ্ট দ্রগ এব্যুজ এন্দ ইলিসিট ট্রাফিক্কিংগী থৌরম

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী এস পি ডা. এস ইবোমচা, এদিসনেল এস পি সঙ্করদেব অমসুং এস দি পি ও বিদ্যাপতি য়াওনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী পুলিস পার্সনেল কয়ানা ময়াই কাবা দ্রগকী মায়োক্তা খোঙচৎ চৎখিবা

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী এস পি, এন হেরোজিৎকী মীৎয়েং মখাদা লম্লাইগী এস দি পি ও সুরজনা লুচিংদুনা ইন্টর্নেসনল দে এগেনষ্ট দ্রগ এব্যুজ এন্দ ইলিসিট ট্রাফিক্কিংগা মরী লৈননা দ্রগকী মায়োক্তা এৱ্যের্নেস কেম্পেইন পাঙথোকখিবা

ক্ষেত্রিগাউ এ সীগী মনুং চনবা ইরীল অমসুং কোংবা তুরেলগী ফিভম ফৎত্রবা তুরেল তোর্বানশিং অমসুং লম্বীশিংগী ফিভম ৱাটর রিসোর্সেস মিনিষ্টর লেটপাউ হাওকিপ অমসুং এম এল এ ইন্দ্রজিৎনা হকথেংননা চত্তুনা য়েংশিনখিবা

কানি কে জি ৭.৮০৫গা কোন্ননা মীওই ১ ফারে

ইম্ফাল, জুন ২৬ (ঐচ এন এস): লমদম অসিদা মণিপুর লৈঙাক্লা ময়াই কাবা চীঙ্গাক য়োনবা চাবা অমদি পুশিল্লকপা মরু ফংনা মাঙহন্নবা লৈঙাক্লা অকনবা থবক পায়খৎলিঙৈ মরক অসিদা ঙসি ময়াই লম্বীগী চন্দ্রনদি লমখায়দা ময়াই কাবা চীঙ্গাক কানি পুদুনা লাকপা মীওই অমা ৱাঙ্গোই পুলিসকী টিম অমনা ফারে হায়রি।

চপ চাবা পাউ অমা ফংবদগী ৱাঙ্গোই পুলিসকী টিম অমনা ঙসি অয়ুক পুং ৮ তাবা মতমদা ময়াই লম্বীগী চন্দ্রনদি লমখায়দা অচৎ-অওকশিং চেক তৌদুনা লৈরিঙৈদা ময়াং ইম্ফাললোমদগী ইম্ফাল তম্না অঙৌবা মচুগী সন্ট্রো জিং কার (এম এন ০৪ পি/০২৬৯) অমা খামদুনা চেক তৌখি। পুলিসকী পাউনা হায়, গাড়ী অদুগী দ্রাইভরগী মমিংনা হিজম নন্দকুমার (৩০), অপোকপা ঐচ হেরামনি কৌই। মহাক থৌবাল অথোকপম ময়াই লৈকায়দা লৈবনি হায়রি।

কার অদুদা পুলিসনা মখা তানা চেক তৌবদা তোঙান-তোঙানবা প্লাষ্টিক পেকেট ১০ দা হাপ্লম্বা কানি কেজি ৭.৮০৫ ফংবা ঙমখি হায়রি। ফারবা মীওই অদু লোগী ওইবা এক্সন লৌখৎনবা থবক পায়খৎপা হৌখ্রে হায়রি।

মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৬ (ঐচ এন এস): লমদিং এদ্যুকেটেদ ৱেলফ্যের এসোসিএসন (লেৱা), লমদিং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টনা অৱাবা তারবা মীওইশিংদা তেংবাঙবগী শরুক অমা ওইনা ঙসি থৌবালগী পাউমী ঈ রামেশ্বরগী হৈরোক্তা লৈবা ইমুংগী মীওইশিং কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইদুনা আইসোলেসন সেন্টরদা লৈরে হায়বা তাবদগী খুদক্তা লেৱাগী থৌমীশিংনা চঙশিন্দুনা মথৌ তাবা হিদাক লাংথক, হেন্দ সেনিটাইজর য়াওনা অচা-অথক মতেং পাংখ্রে। লোয়ননা অথুবা মতমদা ইমুংগী মীওই পুম্নমক নেগেটিভ লাকপা ওইরসনু হায়না লেৱাগী প্রসিদেন্ট এস ওজিৎনা তাইবং শেন্বা মপুদা থৌনিখ্রে হায়রি।

মাস ভেক্সিনেসন কেম্প পাঙথোকখ্রে

ককচিং, জুন ২৬ (ঐচএনএস): ককচিং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ ময়াংলম্বম রামেশ্বরগী মীৎয়েং মখাদা কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লেপ্তুনা চথুরকপা মাস ভেক্সিনেসন কেম্পকী শরুক অমা ওইনা ঙসিসু কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী মনুংদা লৈবা মুস্লিমশিংনা খুন্দাবা সোরাদা মাস ভেক্সিনেসন কেম্প পাঙথোকখ্রে।

পল্লেল প্রাইমারি হেল্থ সেন্টরগী ষ্টাফশিংগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা ঙসিগী মাস ভেক্সিনেসন কেম্প অদুদা সোরাগী তোঙান তোঙানবা লুপশিংগী লুচিংবশিং য়াওনা মীয়াম্না অহানবা দোজগী কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপ্পখি। কেম্প অদুদা এম এল এ ময়াংলম্বম রামেশ্বর মশামক হকথেংননা লাক্তুনা য়েংশিনবগা লোয়ননা সোরাগী মীয়ামদা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোক্লবা পুক্নিং থৌগৎখি।

পোষ্টর কেম্প্যেন

ইম্ফাল, জুন ২৬ (ঐচএনএস): সেলিন দিজিটেল অমদি এন আর মীদিয়ানা চঙশিল্লকপা ৱাখল তামিন্নবা হায়বা থৌরমগী মনুং চন্না সেকমাই বজারদা কোভিদ-১৯গী পোষ্টর কেম্প্যেন পাঙথোকখ্রে হায়না সেলিন দিজিটেলগী ফিল্ড পব্লিসিটি ওফিসর কে এস ঐচ জেমসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, পোষ্টর কেম্প্যেন চথখিবা অদুগা মরী লৈননা সেলিন দিজিটেলগী প্রসিদেন্ট ফাঞ্জৌবম লনজিৎনা, মতম খরদি কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকা ঐখোয়গা লোয়নদুনা লৈখিগদবনা য়াম্না চেকশিনবা মথৌ তাই। লোয়ননা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকপগা লোয়ননা এস ও পি ঙাক্লবগীদমক মীয়ামগা ৱাখল তামিন্ননবগীদমক পোষ্টর কেম্প্যেন অসি পাঙথোকপনি হায়খি। থৌরমদুদা এন আর মীদিয়াগী প্রোপ্রাইটর এন আর রাজেশসু শরুক য়াখি।

ফীভম চাদনা লৈরিবা তুরেল তোর্ব্বান, লম্বীশিং অথুবদা শেমজিন্ননবা হোৎনরগনি : লেটপাও

ইম্ফাল, জুন ২৬ (ঐচ এন এস): নোংজুথা য়ৌরকপগা লোয়ননা লমদম অসিদা ঈচাউ থোকহন্দনবা ৱাটর রিছোর্সেস দিপার্টমেন্টনা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎলি। ক্ষেত্রিগাও এ সীগী মনুং চন্না ফীভম চাদনা লৈরিবা তুরেল তোর্ব্বান অমদি লম্বীশিং অথুবদা শেমজিন্ননবা হোৎনরগনি হায়না ৱাটর রিছোর্সেস মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি ক্ষেত্রিগাও এ সীগী মনুং চন্না কোংবা তুরেল অমদি ইরিল তুরেলগী ফীভম চাদ্রবা তোর্ব্বানশিং অমদি লম্বীশিং এম এল এ নহাকপম ইন্দ্রজিৎকা লোয়ননা য়েংশিনখিবগা মরী লৈননা মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপনা ফোঙদোকখিবনি। য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা ৱাটর রিছোর্সেসকী চীফ এঞ্জিনিয়র সোংপুৎ এন অলবার্ট য়াওনা দিপার্টমেন্টকী মকোক থোংবা ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি।

মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপ অমসুং এম এল এ ইন্দ্রজিৎনা লুচিংবা টিম অদুনা পেনি খোংগী মতোন, কোংবা তুরেল য়ৌরমদাইগী মফমশিং, মুতুম লৈকায়গী মপাদা কোংবা তুরেলগী নাক-য়েৎতা লৈবা মফমশিং, কোংবা লাইশ্রম লৈকায়গী মপা, ইরিল তুরেলগী সাইখোম কুম্লাগী মপাশিংদা চৎতুনা হৌজিক লৈরিবা ফীভমশিং অদু য়েংশিনখি। য়েংশিনখিবা অদুগা মরী লৈননা মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপনা হায়খি, ফ্লন্দ মেনেজমেন্ট প্রোগ্রাম (এফ এম পি) অমা পায়খৎননবা হোৎনরি। হায়রিবা প্রোগ্রাম অসি হন্দক্তা ষ্টেট কেবিনেটনা অয়াবা পীরকপদগী ঈচাউনা শোকপা য়াবা মফমশিং অমদি লম্বীশিং য়েংশিনবগী শরুক অমা ওইনা ঙসি ক্ষেত্রিগাও এ সীগী মনুং চন্না লৈবা মফমশিং অসি য়েংশিনবনি। হায়রিবা মফমশিং অসিদা ফীভম চাদনা লৈরিবশিং অসি অথুবদা অঙন্বা থাক্তা হোৎনদুনা শেমজিন্নবা হোৎনরগনি। নোংজু থা লাকপা মতমদা ঈচাউগী অৱাবা নংহন্দনবা দিপার্টমেন্টনা থবক কয়া অমসু পায়খৎলে হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

য়েংশিন খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা এম এল এ নহাকপম ইন্দ্রজিৎনা হায়খি, মমাঙদসু মিনিষ্টরগা তান্নরগা ঈচাউদগী ঙাকথোক্লনবা শেমজিনবা য়াবশিং শেমজিনখ্রে। কোভিদকী অৱাবা চৈথেং মরক অসিদা ঈচাউগী অৱাবা অমমুক মীয়াম্না নংদনবা মাঙজৌননা চেকশিন থৌরাং লৌখৎননবা ঙসি তুরেল তোর্ব্বানশিং অমদি লম্বীশিংগী ফীভম য়েংশিনবনি। কোংবা তুরেল অমদি ইরিল তুরেলগী মরক্তা লৈবা এ সী অমা ওইবনা তুরেল তোর্ব্বানশিং অসি নীংথিনা থম্নবা হোৎনবনি। ফীভম চাদনা লৈরিবা মফমশিং মিনিষ্টরনা য়েংশিনবগা লোয়ননা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং নোংজু থা মমাঙদা অঙন্বা থাক্তা লৌখৎলগনি হায়না ফোঙদোকপীরম্বা অসি থাগৎলি। ক্ষেত্রিগাও এ সীগী মীয়াম্না ঈচাউগী অৱাবা নংদনবা মহাক্কী মায়কৈদগীসু লৌখৎফম থোকপা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎতুনা অঙন্বা থাক্তা হোৎনগনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুন ২৬ (ঐচএনএস): রিজনল ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস), ইম্ফালদা নর্সিং সিষ্টর ওইনা মতম শাংনা থবক তৌরম্বী কে জাংমৈনা মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইরগা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা রিমসকী দিরেক্টর প্রোফেসর এ শান্ত, মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট প্রোফেসর ঐচ প্রিয়োশখি, চীফ নর্সিং ওফিসর এস ঐচ লাতা, নর্সিং ওফিসরশিং অমদি নর্সিং ষ্টাফশিংনা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোকচরি হায়না রিমস নর্সেস এসোসিএসন লম্ফেলপাৎকী প্রসিদেন্ট টি সুনিতা চনুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, রিমসতা নর্সিং সিষ্টর ওইরম্বী কে জাংমৈনা লৈখিদবা অসিদা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্পুনা অৱাবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী থৱায়না তাইবং মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা থৌনিজখ্রে। লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু রিমস নর্সেস এসোসিএসন লম্ফেলপাৎনা শরুক য়াজরি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তারক্লি।

তোকঙা শন্দোক্তুনা মীয়াম্বু কিহনবগী থৌওং খুদক্তা তোকপীয়ু : দেপ্যুটি স্পিকর

ইম্ফাল, জুন ২৬ (ঐচ এন এস): মালেমগী ওইনা লৈবাক কয়াদা হৌজিক কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎতগী ঙাকথোক্লনবা ভেক্সিন কাপথোক্লবগা লোয়ননা মণিপুরদসু পাক শন্না মীয়াম্বু কোভিদ ভেক্সিনেসন তৌবগী থবক কন্না চথুরিঙৈদা কনাগুম্বা খরনা কোভিদ ভেক্সিন কাপ্পগী মতাংদা তোকঙা শন্দোক্তুনা মীয়াম্বু কিহনবগী থৌওং অসি খুদক্তা তোকপীয়ু হায়না মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী দেপ্যুটি স্পিকর কোংখাম রোবিন্দ্রোনা ফোঙদোকখ্রে।

ময়াং ইম্ফাল এ সী মীপুম খূদিংমক ভেক্সিন কাপথোক্লবগী পান্দমদা লৌখৎলকপা থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী দেপ্যুটি স্পিকর কোংখাম রোবিন্দ্রোগী মীৎয়েং মখাদা ময়াং ইম্ফাল প্রাইমারী হেল্থ সেন্টর অমসুং ইনপেক ক্লব উচিৱাগা পুন্না খুৎশম্নদুনা উচিৱা লৈরক অচৌবদা লৈবা পঞ্চায়ট ঘড়দা ঙসিসু মাস ভেক্সিনেসন পাঙথোকখ্রে। মীয়াম ভেক্সিন কাপথোকহনখিবা অদুগা মরী লৈননা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী দেপ্যুটি স্পিকর কোংখাম রোবিন্দ্রোনা হায়খি, কোভিদ-১৯গী অহানবা ৱেভকী চৈথেং হৌখিবা চহীদা ফংখ্রবা মতুং হৌজিক অমুক অনীশুবা ৱেভকী চৈথেং মীয়াম্না মায়োক্লরি।

ঐখোয় মীওইবনা নীংথিনা চেকশিল্লবদি লায়না অসি নাহন্দবা য়াবা লায়নানি হায়নসু অখণ্ড-অহৈশিংনসু ফোঙদোক্লরি। মীয়াম্নসু এক্সপার্টশিং অমদি লৈঙাক্লা পীরিবা এস ও পিশিং ঙাক্লা চৎতুনা লায়না অসিদগী ঙাকথোক্তুনা লৈনবা হোৎনসি। কোভিদ ভেক্সিন কাপ্পবদি শিরগদবনি, ভেক্সিন কাপত্রবসু য়াই, ভেক্সিন কাপ্পুনু হায়বনচিংবা মীওই খরনা কোভিদ ভেক্সিনগী মতাংদা সোসল মীদিয়াদা লান্না পাউ শন্দোক্তুনা মীয়াম্বু কিহনবগী থবক তৌরিবা অসি খুদক্তা তোকপীয়ু। ভেক্সিন মতম চানা কাপখিবা মীওই কয়া লায়না অসিনা নাহন্দ্রে অমসুং নাবগী চাং হন্থে হায়বসি মালেমগী লৈবাক কয়ানা য়ানরবা ৱাফমনি। মণিপুরদসু মতম চানা ভেক্সিনেসনগী থবক পায়খৎহৌবদগী হৌজিক লায়না অসিনা নাবা অমসুং শিবগী চাং তপ্পা তপ্পা হন্থরক্লি।

ফ্রন্টলাইন ৱারিয়র ওইনা হৌজিক ডোক্তর, নর্স, মেদিকেল ষ্টাফ কয়া য়াম্না ঙন্না কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসন তৌখিবনা মরম ওইরগা হৌজিক কোভিদকী অনাবশিংবু লায়েংবদা অমদি লায়না-লাইচৎ অসিদগী মীয়াম্বু ঙাকথোক্লনবগী মাঙজিল থানা থবক তৌরি। কোভিদতগী ঙাকথোক্লনবা মীয়াম্না মতম চানা ভেক্সিন কাপথোকপীয়ু। ঐখোয় খূদিংমক্না ৱাখল তামিন্নরবদি লায়না-লাইচৎ অসিবু মীয়াম পুন্না মায়থীবা পীবা ঙমগনি। এ সী অসিগী মীপুম খূদিংমক কোভিদ ভেক্সিন কাপথোক্লনবগীদমক মখা তানা তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদসু মাস ভেক্সিনেসন পাঙথোকখিগনি হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

নীংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৬ (ঐচএনএস): মৈতৈ পাঙল খুন্থোক নীংশিং থৌরম কম্মিটি মণিপুরনা শীন্দুনা মণিপুরদা মৈতৈ পাঙলশিংনা খুন্থোকখিবা নুমীৎকী অনীরকশুবা নীংশিং থৌরম কোভিদকী এস ও পি ঙাক্লা ঙসি নীংশিং থৌরম কম্মিটিগী কনভিনর বি কে মোইরাংচানা থৌরম মপু ওইদুনা লিলোংদা পাঙথোকখ্রে হায়না মৈতৈ পাঙল মৈপাক নিংথৌ কম্মিটিগী কো-কনভিনর অরসদ বাসৈময়ুমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, থৌরম অসি হৌখিবা কুমজা ২০১৯গী নবেম্বর ৯দা জি এম হোলদা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী ওইবা সেমিনার অমনা লৌখিবা ৱারেপকী মতুংইন্না কুমজা ২০২০গী জুন ৭তা অহানবা ওইনা নীংশিং থৌরম অসি হাপ্তা গোলাপতিদা পাঙথোকপা হৌখি। হৌখিবা চহীদা অহানবা ওইনা পাঙথোকখিবা মতমদসু কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা মীয়ামগা লোয়ননা মপুং ফানা পাঙথোকপা ঙমখিদ্রে। ঙসি পাঙথোক্লিবা অনীরকশুবা থৌরম অসিদসু কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা মীয়াম পুন্না পাঙথোকমিন্নবগী খুদোংচাবা ফংদ্রে। মমিংতগী ওইনা মৈপাক নিংথৌ কম্মিটিগী এগজিক্যুটিভশিংনা ফিজিকেল দিষ্টেন্সিং অমদি এস ও পিশিং ঙাক্লা ইচম চম্বা মওংদা পাঙথোকখ্রে হায়নসু চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

য়ু সী এমগী নৌনা থৌ পুগদবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৬ (ঐচ এন এস): য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুর (য়ু সী এম)গী কুমজা ২০২১-২৪ টর্মগী নৌনা থৌ পুগদবশিং ঙসি খনখ্রে হায়না য়ু সী এমগী নৌনা খল্লবা আই পি আর সেক্রেটরি লৈশেন্বা লমাবানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, য়ু সী এমগী হেদ ওফিসতা ঙসি নুংথিল মীফম অমা পাঙথোকপগা লোয়ননা নৌনা থৌ পুগদবশিং খনখি। থৌরম অদুদা য়ু সী এমগী হান্নগী প্রসিদেন্ট সুনিল করাম, য়ু সী এমগী কন্সল্টেটিভ মেম্বর য়ুম্নামচা দিলিপকুমার অমসুং য়ু সী এমগী কন্সল্টেটিভ মেম্বর এল জাদুনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইখি। থৌরম অদুদা কন্সল্টেটিভ মেম্বর য়ুম্নামচা দিলিপকুমারনা ওঠ কম্মিস্নার ওইদুনা নৌনা থৌ পুগদবশিং ৱাশক লৌখি।

য়ু সী এমগী কুমজা ২০২১-২৪ টর্মগী নৌনা থৌ পুরগদবশিং অদুদি জয়চন্দ্র কোন্থৌজমনা প্রসিদেন্ট, ৱাই কে ধিরেননা ভাইস প্রসিদেন্ট, ঙাঙোম দেব মৈতৈনা জেনরেল সেক্রেটরি, নহাকপম শান্তনা সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসন, নোংমাইথেম জীবননা সেক্রেটরি ফাইনান্স, লৈশেন্বা লমাবনা সেক্রেটরি আই পি আর, এম ওংবী আর কে রাধেসনানা সেক্রেটরি ৱিমেন এফেয়র্স, লাইময়ুম ইনাওবীনা সেক্রেটরি একাউন্টস, কঙাবম ইবেয়াইমনা সেক্রেটরি এক্সটর্নেল এফেয়র্স, আর কেমঙ্গিসনানা সেক্রেটরি ঐচ আর দি, কোঙেংবম অচৌবনা সেক্রেটরি রিসোর্ছ মোবিলাইজেসন, খুমন্থেম অঙৌতোননা সেক্রেটরি লিগেল এফেয়র্স এন্দ হ্যুমেন রাইটস, অলানপুনা দাংমৈনা সেক্রেটরি কম্যুনিটি এফেয়র্স, এন জি ইবোয়াইমা মঙাংনা সেক্রেটরি দোক্যুমেন্টেসন এন্দ রিছার্স এনালাইসিস, মাইবম সনাতোম্বনা সেক্রেটরি য়ুথ এফেয়র্স, ৱাই টিকেননা সেক্রেটরি ওফিস এফেয়র্স, ফাঞ্জৌবম অপাবী, হৈস্নাম মঙ্গিজাও, সোইবম অনিল অমসুং আই বিমোলানা সেক্রেটরি দিষ্ট্রিক্ট এফেয়র্স, তায়েঞ্জম ইনাওনা এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসন, সোরাইশম ব্রোজেন মৈতৈনা এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি ফাইনান্স, কুমাম ধনেশ্বরিনা এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি আই পি আর অমসুং অসেম সোনিয়ানা এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি ৱিমেন এফেয়র্সনি হায়রি।

নুপী সমাজগী ৪৫শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৬ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর ৱিমেন্স সোসল রিফোর্মেসন এন্দ দিভেলপমেন্ট সমাজ (নুপী সমাজ)গী ৪৫রকশুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি লম্ফেল ত্রাফিক লেন্দদা লৈবা নুপী সমাজগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে হায়না নুপী সমাজগী জেনরেল সেক্রেটরি পি সোবিতানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মপোক কুমওন থৌরম অসিগা মরী লৈননা নুপী সমাজগী ফাউন্দর ওইরম্বী ইমা চাওবী, ইমা মোমোন অমদি ইমা ইন্দুমনি হায়না শকখঙবীখিবা লাইওইখ্রবী ইমা অহুমগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা মিনিট ২ তুমীন্না লেপ্পুনা অৱাবা ফোঙদোকখি। থৌরম অদু নুপী সমাজগী এগজিক্যুটিভ কম্মিটি অমদি মেম্বরশিংনা কোভিদ-১৯গী এস ও পি ঙাক্লা য়াম্না চম্না পাঙথোকখি।

নুপী সমাজগী লৈখিদ্রবী লুচিংবীশিংনা য়াৎপীরম্বা লিক্লমদুদা হেন্না ফবা, মীওৎ-মীনৈ লৈতবা, মীপাল তাঙদবা, তংদু লৈতাবা, ঈং-তপ্পা খুন্নাই ওইহন্ননবা অমত্তা ওইনা লৈমিন্নবগী ৱাফমসু থৌরমদুদা খন্নখি। লোয়ননা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা লৈবাক মীয়াম্বু মরু ফংনা মুখুৎখিদনবগীদমক লৌফম থোকপা চেকশিন থৌরাং খূদিংমক ঐখোয় পুন্না লৌমিন্নরসি হায়বা অচেৎপা ফিরেপসু লৌমিন্নখি হায়রি।

মশা-মউ ফনা থম্নবগী পান্দমদা লম-তূ শেংবা হৌখ্রে

ককচিং, জুন ২৬ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা মরম ওইদুনা লোকদাউন লৈখিবদগী দি সী ওফিস ককচিংগী লম্বীশিং কা হেন্না নাপীনা শোংজিল্লকপা অমদি ইন্টরনেসনল দে এগেনষ্ট দ্রগ এব্যুজ এন্দ ইল্লিসিট ত্রাফিক্কিংগা মরী লৈননা ঙসি ককচিং খুন্নাই চাউখৎহনবা লূপ (কে কে সী এল), ওল ককচিং ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এ কে এস য়ু), নহাশিংগী খোঙথাং অমদি জে এন জি ভি ও ককচিংনা পুন্না খুৎশম্নদুনা ককচিংগী অকোয়বগী লৈরক খুল্লকশিং লূ-নান্না থম্নবগী অমদি নহাশিংবু মশা-মউ ফনা থম্নবগী পান্দমদা ঙসিদগী লম-তূ শেংদোকপা হৌখ্রে।

ঙসিগী থৌরম অদুদা দি গাংমৈ দি সী ককচিং, পি সনাহল হান্না ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী ৱার্দ নম্বর ৪গী কাউন্সীল্লর ওইরম্বীনা শরুক য়াদুনা শিৎ শেংবগী থৌরম অদু হৌদোকখি।

থৌরমগী মতাংদা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী দি সী, দি গাংমৈনা ফোঙদোরকপদা, ককচিংগী নহা ওইরিবা মীওইশিংনা অসুম্না শিংথানিংঙাই ওইবা থবক্তা শরুক য়াদুনা তরু-তনান্নবগীদমক হোৎনবীরকপা অসি য়াম্না থাগৎনিংঙাইনি। মীয়াম্নসু য়ুমদা লৈবদা অকোয়ববু তরু-তনান্না থমদুনা লাইচৎ অসি লাঙ্থেংনমিন্নসি হায়খি। নহাশিংনা চথুরকপা অফবা থবকশিংদসু অঙণ্বমখৈ মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক মতেং পাংগনি। ঙসিগী লম-তূ শেংবগী থবক পাঙথোকখিবা ওর্গনাইজেসনশিং অদুদসু নাপী কক্লবা অমসু খুদোল তমখি।

অশিল-অরাংগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপদা, দি সী ওফিসকী লম্বী অসিদা হান্না ককচিং এ সীগী এম এল এ ওইরম্বা ৱাই সুরচন্দ্র অমদি মতম মতমগী ককচিং দি সী ওইবীরম্বা ওফিসরশিংগা তান্নদুনা তরু-তনান্না থম্নবগীদমক এ কে এস য়ুনা হোৎনদুনা লাকখিবনি। মখা তানসু হোৎনখিগনি অমদি হৌজিক থেংনরিবা লাইচৎ অসি থেংনবদা লুবা নানবা, অকোয়বগী ফীভম ফনা থম্বা, হকচাং ফনা থম্নবগীদমক ময়াই কাবা চীঙ্গাক্তগী লাপথোকপা হায়বসি ঐখোয় খূদিংমক্কী মথৌনি। ঐখোয়না অকোয়বগী ফীভম ফনা থম্নবগীদমক তৌবা য়াবা থবকশিং তৌমিন্নসি। মখা তানসু ওর্গনাইজেসনশিং অসি খুৎশম্নদুনা ককচিংগী লৈকায় লৈকায়দসু ক্লব/ওর্গনাইজেসনশিংগা খুৎশম্নদুনা দ্রগ এৱ্যের্নেস অমদি সোসল সর্ভিস কেম্প পাঙথোক্লবসু হোৎনরগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

উ চারা থাখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৬ (ঐচএনএস): ডা. শ্যামা প্রসাদ মুখর্জিগী মপোক কুমওন অমসুং বলিদান দিবসকা মরী লৈননা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী কদমতালাদা লৈবা জিরি কোলেজদা উ চারা কয়া থাখ্রে।

বি জে পি জিরিবাম মন্দলনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রোটোকোল কম্মিটিগী চ্যেরমেন কে শরতকুমার, বি জে পি জিরিবাম মন্দলগী প্রসিদেন্ট ও ব্রজমনি মৈতৈ, মহিলা মোর্চা বি জে পি জিরিবাম মন্দলগী প্রসিদেন্ট এ অরুনা, ভাইস প্রসিদেন্ট কে ঐচ যমুনা, জেনরেল সেক্রেটরি কে মালেমঙানবী অমসুং বি জে পিগী থৌমী কয়াসু শরুক য়াখি।

উ চারাশিং থাখিবা অদুদা জিরি কোলেজগী টিচিং অমদি নন-টিচিং ষ্টাফশিংসু শরুক য়াখি।

মীয়াম ভেক্সিন কাপথোকহৌসি : রাধেশ্যাম

ককচিং, জুন ২৬ (ঐচএনএস): ইন্দিয়াগা মরী লৈনদবগী মথক্তা অচুম অরান নীংথিনা খঙদ্রিবা য়ু এস এগী ভেক্সিন কাপ্পগী পাউদা মীয়াম্না থাজবা থম্লগা ভেক্সিন কাপ্তুবা তৌবিগনু, মদুগী মহুত্তা ষ্টেট অসিদা কোভিদকী অহুমশুবা ৱেভ য়ৌরক্তনবা মতম চানা মীয়াম্না ভেক্সিন কাপথোকহৌসি হায়না হিয়াংলম কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ ডা. ৱাই রাধেশ্যামনা মীয়ামগী পুক্নিং চিংশিল্লক্লি।

ঙসি হিয়াংলম এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুংদা লৈবা হিয়াংলম ৱাইখোম লৈকায়, ৱারখোং অমদি তেরাপিশকতা এম এল এ রাধেশ্যামগী মীৎয়েং মখাদা চথুখিবা কোভিদকী মাস ভেক্সিনেসন অমদি মাস টেষ্টিংগী থবক থৌরমশিং য়েংশিনবগী খোঙচৎতা রাধেশ্যামনা মখা তারদুনা হায়, পাউচে অমদা য়ু এস এদা ভেক্সিন কাপ্পুরগা সাইদ ইফেক্টশিং লৈবগা মরী লৈননা হাপ্পকখিবা পাউ অদুদা য়ুম্ফম ওইরগা মীয়াম্না ভেক্সিন কাপ্পদা মিপাইবা য়াওরগদি মদু তৌবিগনু। য়ু এস এদা কাপ্পিবা ভেক্সিন অসিগা ইন্দিয়াদা কাপ্পিবা ভেক্সিন অসিগসু তোঙান তোঙানবা ভেক্সিননি। মসিগী মথক্তা হায়রিবা পাউ অদুসু অতোপ্পা সোর্সতগী লৌরগা ইন্টর্নেসনল ন্যুজ ওইনা য়াওখিবনা কয়ামুক য়াম্না অচুম্বা পাউনো হায়বা অদুসু খঙবা ঙমদ্রি। হীরম অসিদা লৈঙাক্লসু য়েংশিল্লিবনি।

হৌজিক ইন্দিয়াদা কাপ্পিবা কোভিদকী ভেক্সিন অসিনা ঙসি ফাওবদা মী শিখিবগী ওফিসল ওইবা রিপোর্ট লৈত্রি। মরম অসিনা মীয়াম্না চপ চানা মরী মখোঙ খঙদ্রিবা পাউ অসিদা য়ুম্ফম ওইরগা ভেক্সিন কাপ্তুবা তৌবিগনু। মদুগী মহুৎ ষ্টেট অসিদা কোভিদকী অহুমশুবা ৱেভ অসিনা য়ৌরক্তনবা মতম চানা চানা মীয়াম্না ভেক্সিন কাপথোকপিয়ু। হিয়াংলম এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী ওইনসু লাক্কদবা নুমিৎশিং অসিদা কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা নুমিৎ খুদিংগী কোভিদকী ভেক্সিন কাপ্পুনা জুলাই থা ফাওবদা কন্সটিট্যুএন্সি অসিদা লৈরিবা চহী শুরবা মী খুদিংমক কোভিদকী অহানবা দোজকী ভেক্সিন কাপ্পবা পান্দম থল্লি হায়খি।

ঙসি হিয়াংলম ৱারখোং অমদি তেরাপিশকতা চথুখিবা কোভিদ টেষ্ট তৌবা অদুদা পুন্না মীওই ১৬৩ টেষ্ট তৌবদা মীওই ৩৩ পোজিটিভ ওইরম্বদগী লাংমৈদোংদা হাংবা কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টরদা মখা তানা ট্রিটমেন্টকীদমক থমখি। অমদি হিয়াংলম ৱাইখোম লৈকায়দা চথুখিবা ভেক্সিনেসনগী থৌরম অদুদা মীওই ১৬০ অহানবা দোজগী হীদাক কাপখি।

ইন্টর্নেসনল দে এগেনষ্ট দ্রগ এব্যুজ এন্দ ইলিসিট ট্রাফিক্কিংগী থৌরম মফম কয়াদা পাক শন্না পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৬ (ঐচএনএস): মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোক্লবগুম মণিপুরদসু ইন্টরনেসনল দে এগেনষ্ট দ্রগ এব্যুজ এন্দ ইলিসিট ট্রাফিক্কিংগী থৌরম মফম কয়াদা পাক শন্না পাঙথোকখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা মোইদাংপোক মনীং লৈকায়দা লৈবা তুংগী য়ুম্বী দি-এদিক্সন এন্দ রিহেবিলিটেসন সেন্টরদা ইন্টর্নেসনল দে এগেনষ্ট দ্রগ এব্যুজ এন্দ ইলিসিট ট্রাফিক্কিংগী থৌরম ব্রাইটসনা শীন্দুনা পাঙথোকখ্রে।

লৈঙাক্লা এস ও পি ঙাক্লগা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা ব্রাইটসকী কো-কনভেনর টি ঐচ প্রদিপনা হায়, মণিপুরদা দ্রগ শীজিন্নবগী মশীং অসি নোংমা নোংমগী হেনগৎলক্লি। মিনিষ্ট্রি ওফ সোসল জষ্টিস এন্দ ইম্পাৱরমেন্টকী মীৎয়েং মখাদা নেসনল দ্রগ দিপেন্দেন্স ট্রিটমেন্ট সেন্টর অমসুং ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেসনা পুথোকপা মেগনিচুদ ওফ সবষ্টেন্স য়ুজ ইন ইন্দিয়া, ২০১৯না পীবা রিপোর্টকী মতুংইন্না মণিপুরগী অপুনবা মীশিংগী চাদা ২২.৪না য়ু শীজিন্নৈ। মসিগী মনুংদা চাদা ৩.৪ হায়বদি চাউরাক্লা মী লিশিং ৪০ রোমদি য়ু থাদোকপা ঙমদবা মীশিংনি। অদুগা ইঞ্জেক্টিং দ্রগ য়ুজরনা মী ৩৪,৩৩৪ লৈ হায়না রিপোর্ট তৌরি। মসিগী মথক্তা য়েতুম সিরিঞ্জ শীজিন্নদনা দ্রগ শীজিন্নবা মী ময়াম অমসু লৈরি। মখোয়শিং অসি পুনশিল্লগদি মণিপুরদা দ্রগ শীজিন্নবা মী লাখ অমা হেন্না লৈ হায়না লৌবা য়াই হায়না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ)নসু ইন্টরনেসনল দে এগেনষ্ট দ্রগ এব্যুজ এন্দ ইলিসিট ট্রাফিক্কিংগী নুমীৎ জুন ২৬না লাকপদা মীয়াম পুন্না অমত্তা ওইনা দ্রগ এব্যুজগী মায়োক্তা লেপমিন্নবা মতম য়ৌরে। লমদম অসিগী তোঙান তোঙানবা ওর্গনাইজেসন অমদি এন জি ওশিংনা সপ্লায় রিদক্সন, দিমান্দ রিদক্সন অমদি হাম রিদক্সনগী খোঙথাং কয়া পায়খৎলবসু প্রিভেন্সনগা মরী লৈনবা ময়াই কাবা চীঙ্গাক চাদ্রিবা, চারকপগী ভলরেবল ওইরিবশিংগীদমক মীৎয়েং চঙবীদবা অসি লাইবক থীবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

দ্রগ প্রিভেন্সনগী প্রোগ্রামশিং মণিপুরদা মপুং ফানা তৌবা উদ্রি। মরম অদুনা এম এস এফনা এফেয়র্স ওন দ্রগ য়ুজ প্রিভেন্সন লিংখৎতুনা এৱ্যের্নেস অমদি ওরিএন্টেসননচিংবা প্রোগ্রাম কয়া চথুরি। এম এস এফনা থাংজিল্লক্লিবা খোঙথাং অসিদা লৈবাক মীয়ামগী সপোর্ট য়াওদনা মায় পাকপা ঙম্লোই। মরম অসিনা মীয়াম্নসু সপোর্ট তৌবীয়ু। তোঙান তোঙানবা সী এস ও, ক্লব অমদি মৈরা পায়বীশিংনসু এম এস এফনা চঙশিল্লকপা প্রিভেন্সনগী প্রোগ্রাম শৌগৎপীয়ু। ইরমদম অসিগী নহাশিংবু ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কী ঈপাক্তগী কনবা হায়বসি এম এস এফকী লেঙদ্রবা পান্দমনি হায়নসু এম এস এফকী দ্রগ এফেয়র্স সেক্রেটরি ওইনাম প্রেমদাসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী এস পি ডা. এস ইবোমচাগী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা শীন্দুনা ইন্টরনেসনল দে এগেনষ্ট দ্রগ এব্যুজ এন্দ ইলিসিট ট্রাফিক্কিংগা মরী লৈননা ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কী মায়োক্তা ৱাকৎ খোঙচৎ অমা চৎখিবগা লোয়ননা পোষ্টর কেম্প্যেনসু চথখি। খোঙচৎ অদু নোর্থ এ ও সীদগী হৌরগা মিনুথোং মপাদগী অমুক য়ু-টর্ন লৌরগা কংলাগী গেট ফাওবা লাকখি। খোঙচৎ অদুদা এস পি ডা. এস ইবোমচা, এদিসনল এস পি শঙ্করদেব, এস দি পি ও ইম্ফাল ৱেষ্ট বিদ্যাপতি, ইম্ফাল পি এসকী ও সী য়াওনা পর্সনেল কয়ানা শরুক য়াখি।

অমরোমদা, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী এস পি হেরোজিৎকী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনসু ইন্টরনেসনল দে এগেনষ্ট দ্রগ এব্যুজ এন্দ ইলিসিট ট্রাফিক্কিংগা মরী লৈননা দ্রগকী মায়োক্তা খোঙচৎ চৎখি। খোঙচৎ অদুদা ৬শুবা আই আর বিগী সী ও, এম কুমারজিৎ, ইম্ফাল ইষ্টকী এদিসনল এস পি বিশ্বর্জিৎ অমদি পর্সনেল কয়াসু শরুক য়াখি।

লম্লাই পুলিস ষ্টেসননসু ইন্টরনেসনল দে এগেনষ্ট দ্রগ এব্যুজ এন্দ ইলিসিট ট্রাফিক্কিংগা মরী লৈননা দ্রগকী মায়োক্তা রেল্লি অমদি এৱ্যের্নেস কেম্প্যেন চথখি।

কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনসু ইন্টরনেসনল দে এগেনষ্ট দ্রগ এব্যুজ এন্দ ইলিসিট ট্রাফিক্কিংগী থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, খা মণিপুর যোগ এন্দ নেচর কিয়োর এসোসিএসন, ককচিংনা ইন্টরনেসনল দে এগেনষ্ট দ্রগ এব্যুজ এন্দ ইলিসিট ট্রাফিক্কিংগী থৌরম হিলিং পোইন্ট (আই আর সী এ) অমসুং ফিদম (আই আর সী এ)দা যোগ ফোর হেল্থ হায়বা থীমদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা স্পেসল ইনভাইটি ওইনা শরুক য়াখিবা এদিসনল এস পি, এ রোমেন্দ্রোনা ময়াই কাবা চীঙ্গাক থাদোকপনা হকচাং ফবখক নত্তনা পূক্নিং ৱাখলবুসু লৈতানা লৈহনবা ঙম্মী। পূক্নিং ৱাখল লৈতাহনবদা যোগগী শাজেল অসিসু অদুক্কী মতিক মথৌ তাই অমসুং ঐখোয় খূদিংমক্না ময়াই কাবা চীঙ্গাক থাদোকপগা লোয়ননা থিংবগী খোঙজংদসু শরুক য়ামিন্নসি হায়না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদু লোইশিল্লকপদা ককচিংগী এস পি ভিক্টোরিয়া য়েংখোমগী মীৎয়েং মখাদা এদিসনল এস পি, এ রোমেন্দ্রোনা হেন্দ সেনিটাইজর, ফেস মাস্ক অমদি শেল ওইনা লুপা লিশিং ২সু তেংবাঙ ওইনা পীরমখি হায়রি।

‘মীয়ামদা চেঙ চপ চানা ফংহল্লু’

ইম্ফাল, জুন ২৬ (ঐচএনএস): কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎনা মরম ওইরগা অৱাবা তারবা লায়রবা মীয়ামদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা পি এম জি কে ৱাই অমদি নফসাগী রেসন কার্দ পায়বা বেনিফিসরিশিংদা জুলাই থাদগী নবেম্বর ফাওবা লেম্না চেঙ পীননবা য়ুনিয়ন কেবিনেটনা ৱারেপ লৌখ্রে। এ এ ৱাই অমদি প্রাইওরিটি হাউস হোল্দ রেসন কার্দ পায়রিবশিং খক্তমক হায়রিবা খুদোংচাবা অসি ফংগনি হায়রি। হায়রিবা মীয়ামগী চেঙগী চাকথুং অসি মতম চানা অমদি চপ চানা ফংহনবীয়ু হায়না লৈহৌ খুন্নাই কনবা লুপতিন (এল কে কে এল)গী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

এল কে কে এলগী সেক্রেটরি ক্ষেত্রিময়ুম রোমেশনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী খোঙথাং অসি হান্না নফসাগী কার্দ হোল্দরশিংনা থা খূদিংগী ফংজরিবা চাকথুং অদুগী মথক্তা মী অমদা চেঙ কে জি ৫/৫ ফ্রীদা পীগনি হায়দুনা য়াম্না ময়েক শেংনা পল্লি। অদুবু স্কিম অসিনা মণিপুরদা হেক য়ৌরকপগা চনৈনবা ৱাফম অমা হেক্তা লাকপগুম তৌরি। করিগীদমক্তা ফংফম থোকপা চেঙশুনা ফংদ্রিবনো। করিগী মতম চানা ফংহন্দ্রিবনো। ফ্রীদা চেঙ লাক্লগা নফসাগী থা খূদিংগী লাকপা চেঙনা করিগী ফংদ্রিবনো। হায়রিবা ৱাহংশিং অসি লমদম অসিগী মীয়াম্না হংনরক্লি। হীরম অসিদা লৈঙাক্লসু অকনবা মীৎয়েং চঙবীয়ু।

ষ্টেট অসিগী এ সী খরদা নফসাগী ফংফম থোকপা থা/থাগী চেঙ মীয়াম্না ফংনদ্রে হায়বগী চপ চাবা রিপোর্ট এল কে কে এলদা লৈরে। ফ্রীদা চেঙ ফংলবনিনা নফসাগী চেঙ য়েন্দবা এ সী খরসু য়াওনরে। কঞ্জ্যুমর এফেয়র্স ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন দিপার্টমেন্টনসু এ সী/এ সীগী ওইনা থাগী ফংফম থোকপা চেঙ মশীং, চেঙ চিংথোকখিবা নুমীৎ অমদি করম্বা থাগী চেঙনো হায়বদু য়াম্না ময়েক শেংনা মীয়ামদা খঙহনবীয়ু। মতম চানা চেঙ ফংহনবীয়ু। দেলিয়িং টেক্সিস তৌরগা মীয়ামগী চাকথুং মৎতুনা চেঙ মাঙহনবশিংগী মথক্তা লৈঙাক্লা চপ চাবা এক্সন লৌখৎপীয়ু। মীয়াম্নসু ইশা-ইশাগী ফংফম থোকপা রাইট অসি ফংননবা অকিবা অমত্তা য়াওদনা হোৎনবীয়ু। মদুতদা এম এল এ, মিনিষ্টরশিংনা অরানবা থৌওং অমত্তা চথুরকপা ঙম্লোই হায়নসু চেরোলদুনা মখা তারক্লি।